# থৱুবা ঈশিংগী অন ওথোরাইজ কঞ্জুমরশিংগী
# পাইপ লাইন ককপগী দ্রাইভ হৌগদৌরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২৫ঃ* ইলেক্ট্রিসিটি (পৱার) দিপার্টমেন্টকী মতৌগুম মণিপুর সরকারগী পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পিঐচইদি) গী ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টুগী মায়কৈদগী দিভিজন অসিনা কোনবা মফমশিংদা অন -ওথোরাইজ ওইবা মওংদা থৱুবা ঈশিং পাইপ তিংদুনা হুরান-লানাদা শীজিন্নরিবা কঞ্জুমরশিংগী পাইপ লাইনশিং ককপগী দ্রাইব হৌনবগী থবক চখবা হৌরে। দিপার্টমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা ঈশিং পাইপতগী ঈশিং হুৎলন্বা অমদি চারন্বা থেংনরবদি ৱাটর সপ্লাই এক্ট ১৯৯২ গী মখাদা থা অমদগী ৬ ফওবা জেলদা থন্বা নত্রগা লুপা ৩০০০ ফাইল থিহন্দুনা দন্দি পীবা নত্রগা মখল অনিমক পুন্না ফংবা য়াই হায়না পিঐচইদি দিপার্টমেন্টকী মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টুগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱাটর সপ্লাইনা অন-ওথোরাইজ কঞ্জুমরশিং দিস-কন্নেক্ট তৌবগী চখগদৌরিবা দ্রাইব অসিগী মতাংদা ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টুগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা পাউ-চে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক অন-ওথোরাইজ কঞ্জুমরশিং খঙদোক্লবগী দ্রাইব চখবা হৌরে। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী দিভিজন অসিনা কোনবা মফমদা মাইক শীজিন্নদুনা পব্লিসিটি চৎপা হৌরে। অন-ওথোরাইজ কঞ্জুমরশিং অমদি খাজনা য়াম্না তোনবা কঞ্জুমরশিংগী পাইপ লাইন ককথৎপা অমদি ফাগৎতুনা দন্দি পীবগী থবক হৌরগনি।

ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদা হৌজিক ঈশিংগী ওথোরাইজ কঞ্জুমর মশিংদগী অন-ওথোরাইজ কঞ্জুমর মশিংনা য়ান্না হেল্লি। মসিনা অশেংবা ওথোরাইজ কঞ্জুমরশিংদা ঈশিং মরাং কায়না নিংথিনা ফংহনবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লরি।

ঈশিংগী পাইপ তিংদুনা য়ুমদা পুশিনবগী থবক অসি লৈবাক মনুংদা তৌথোক্তুনা পুশিনবনা দিপার্টমেন্টনা অন-ওথোরাইজ খঙদোকপদা অরুবা অমা ওইরি। লৈকাইগী ক্লব-ওর্গনাইজেসন অমদি মীয়ামগী অচৌবা মতেং য়াওদনা অন-ওথোরাইজ কঞ্জুমরশিং খঙদোকপদা অৱাবা ওইগনি। মীয়াম্না দিপার্টমেন্টতা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টু গী মখাদা লৈবা পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাই, কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লাই, কোইরেঙ্গৈ ৱাটর সপ্লাই, নিংথেম পুখ্রি মপাল ৱাটর সপ্লাই, গোলাপতি ৱাটর সপ্লাই, অৱাং-পোৎশংবম ৱাটর সপ্লাই অমদি ওল্ড থুম্বুথোং ৱাটর সপ্লাইনা কোনবা এরিয়াশিংদা চখবা হৌগদৌরিবা দ্রাইব অসিগীদমক হৌজিক মাংজৌননা মাইক শীজিন্নদুনা পব্লিসিটি চৎপা হৌরে। দিপার্টমেন্টকী ওইনা ষ্টাফ মেন পৱার ৱাৎপনা অমুক্তদা পাক্তক্লনা দ্রাইব চখদুনা অন ওথোরাইজশিং দিস কন্নেক্ট তৌবা ঙম্লোইদবা লৈ।

হৌজিক ফাওবদা মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টু গী এরিয়াদা ওথোরাইজ ওইবা কঞ্জুমর মশিং অসি পুন্না ৫৪১৫নি। মসিগী মনুংদা দোমেষ্টিক কঞ্জুমর, স্কুল/কলেজ, পব্লিক হায়দ্রেন, হোটেল, ওফিস, ইন্দষ্ট্রিজ/ৱার্কশোপনচিংবা কঞ্জুমর য়াওরি।

দিপার্টমেন্টকী ওইনা নৌনা থোকখিবা ঈশিংগী খাজনা অসি হৌজিক দোমেষ্টিক কঞ্জুমর কন্নেক্সন অমদা থাদা লুপা ১৫০, স্কুল/কলেজগী ওইনা থাদা লুপা ৬০০, পব্লিক হায়দ্রেনগী থাদা লুপা ৩০০, হোটেলগী ওইনা থাদা লুপা লিশিং ৩, ওফিসকী থাদা লুপা ১০০০, সিনেমা হোলগী থাদা ৭৫০ অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ/ৱার্কশোপ থাদা লুপা ১০০০নি।

মেন্টিনেন্স টুগী মখাদা পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাই, কোইরেঙ্গৈ ৱাটর সপ্লাই অমদি কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লাইদগী ৱাটর টেঙ্করশিংদা ঈশিং পীরি। সরকার অমদি প্রাইভেটকী টেঙ্কর খুদিংমকতা ঈশিং কিলোলিটর অমদা লুপা ৮ গী চাংদা পীরি।

রো ৱাটর ঈশিং মরাং কায়না ফংলবা অমদি ইলেক্ট্রিক্কী মৈ নিংথিনা ফংলগদি মীয়ামদা থৱুবা ত্রিটমেন্ট তৌরবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙমগনি হায়না পিঐচইদি গী মচিন চৎপা ওফিসিয়েলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।